## কনজিৎ ফুটবোল

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী ৱাই দব্লিউ সি গ্রাউন্দ মালোমদা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা ৪ শুবা কে কনজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৪ ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে সনায়াইমা সিংহনা হৌদোকখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা সাই আর সি তাকয়েলনা কৃপসা নাওরেমথোংবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। এস সি কে কোদোম্পোকপী অমদি এস দি সি শামুরৌ গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে।

## মেদল ৪ লৌরক্লে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ঃ* তালকাতোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম নিয়ু দিল্লিদা ওক্টোবর ৮ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ডাঃ বি আর অম্বেদকর নেস্নেল গেমস ২০১৪ গী কো সু কুংফু লৈতাই ইভেন্টতা মণিপুর টিম্না গোল্ড ২, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ অমমম য়াওনা মেদল ৪ লৌরক্লে। গোল্ড মেদল লৌরকখিবা শান্নরোইশিংদি সকিল নৱাজ অমদি আই তোন্দোনবা মৈতৈনি। সিলভর মেদলনা এস ঐচ ইঙো সিংহনা অদুগা ব্রোঞ্জ মেদলনা রাজাশ্রী হেন্দিক্লা লৌরকখিবনি।

## অপাবী ফুটবোল

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ঃ* এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দ খোঙমনদা চথরকপা নহাকপম অপাবী মেমোরিয়েল জুনিয়র ফুটবোল লীগ ২০১৪ গী সুপর ৪ গী রাউন্দ ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে। অহানবা মেটচতা এফ য়ু সি উয়ুম্পোক অমদি এল য়ু এফ সি লেম্বাখুল গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে। অনীশুবা মেটচতা এ এস ৱাই সি অদ্রোনা এন ৱাই টি ঐচ সি ওক্রম চুথেকপু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

## য়ুনিটি ফুটবোল

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ঃ* এল য়ু এফ সি লেম্বা খুল অমদি এ ৱাই এল সি (এ) অরাপতিনা ৪ শুবা কৈরাও কেন্দ্র য়ুনিটি ফুটবোল টুনামেন্ট ২০১৪ গী ফাইনেলদা থা অসিগী ১৮ দা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এল য়ু এফ সিনা এ ৱাই এল সি (বি) অরাপতিবু গোল ৩–২ দা অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এ ৱাই এল সি (এ)না কে সি সি ক্যামগৈবু টাই ব্রেক্তা গোল ৪–২ দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচ হয়েং নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা এ ৱাই এল সি (বি)গা কে সি সিগা শান্নগনি।

## য়াইস্কুল মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ঃ* লাক থাংমৈবন্দনা শীন্দুন লাইহিং নিংথৌ কাংশঙদা চথরিবা অহুমশুবা ৱাইখোম গম্ভীনি দেবী মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুলনা শগোলবন্দ (এ)বু পাঞ্জল ১৮–১৫ দা মায়থীবা পীখ্রে।

## ৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ

**MATCH RESULT:** USA 5-1 KLASA | TRAU 2-0 NEROCA | ZFC 3-1 TRUGPU | NISA 1-1 MPSC

# মমাংগী চেম্পিয়ন নিসা হন্থবগী মেটচতা মায়োক্নরগনি

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ঃ* মমাংগী চেম্পিয়ন অমদি ষ্টেট লীগকী ৫ রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নিসা হৌজিক চথরিবা ৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা মাপনশুবা পোজিসন তাহৌবদগী হন্থবগী মেটচতা ওইনা শান্নরগনি। লীগ অসিগী অরোইবা রাউন্দগী মেটচ ওইনা নিসা অমদি এম পি এস সিনা শান্নখিবা য়াম্না মরুওইবা মেটচ অদুদা গোল ১–১ দা দ্রো ওইবদগী নিংবা কাইনা নিসা চেম্পিয়ন্সিপকী মেটচতা শরুক য়াবা ঙমহৌখিদবনি। মেটচ অদু নিসানা মায় পাক্লল্লবদি ৮ শুবা পোজিসন তারমগদবনি। এম পি এস সিগী ওইনদি দ্রো চৎলবা ফাওবা চেম্পিয়ন্সিপকী মেটচতা শান্নবগী



নেরোকাগী রোনাল্ডনা বাইসাইকল কিক অমা ট্রাউগী মায়োক্তা কাওখিবা

### POINT TABLE ROUND 11

| TEAMS | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| SSU | 11 | 8 | 2 | 1 | 28 | 16 | 12 | 26 |
| USA | 11 | 6 | 3 | 2 | 18 | 7 | 11 | 21 |
| NEROCA | 11 | 6 | 1 | 4 | 23 | 20 | 3 | 19 |
| TRAU | 11 | 5 | 3 | 3 | 14 | 14 | 0 | 18 |
| ZFC | 11 | 5 | 2 | 4 | 21 | 14 | 7 | 17 |
| MPSC | 11 | 3 | 6 | 1 | 15 | 13 | 2 | 15 |
| AIM | 11 | 4 | 3 | 4 | 13 | 12 | 1 | 15 |
| TRUGPU | 11 | 4 | 3 | 4 | 16 | 16 | 0 | 15 |
| NISA | 11 | 3 | 3 | 5 | 12 | 15 | -3 | 12 |
| NACO | 11 | 1 | 5 | 5 | 9 | 18 | -9 | 8 |
| KLASA | 11 | 2 | 2 | 7 | 8 | 22 | -14 | 8 |
| FCK | 11 | 1 | 3 | 7 | 7 | 17 | -10 | 6 |

খুদোংচাবা লৈগদবা অহানবা হাফকী শরুক্তা দিফেন্স তৌদুনা শান্নখি। অনীশুবা হাফতা গোল অমমম চন্নখি। এম পি এস সিনা অরোইবা মিনিটতা চনখিবা ইক্বেলাইজ গোল অদু চয়েৎনবা খরা লৈ হায়দুনা মেটচ লোয়রবা মতুংদা ওফিসিয়েল অমদি ভাবকশিংনা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লখি। নিসাগী গোলনা ৭২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

য়ু এস এনা ক্লাসাবু ৫–১ দা মায়থীবা পীরগা অনীশুবা পোজিসন তাখ্রে। জেট এফ সিনা ট্রুগপুবু গোল ৩–১ দা অমদি ট্রাউনা নেরোকাবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখি।

ইম্ফাল মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা লীগ অসিগী নোক আউট ষ্টেজগী চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা মেটচ তাং ১৮ গী নুংথিল পুং ১২.১৫ দা এস এস য়ুগা ট্রুগপুগা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতা জেট এফ সিগা ট্রাউ ক্লাকৈথেলগা নুংথিলগী পুং ২.১৫ দা শান্নগনি।

# ৱেষ্টনা কেদেট বোইজ টিমগী ৱিন্নর ওইখ্রে

TABLE TENNIS



কেদেট বোইজ টিমগী ৱিন্নর ওইখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্টগী শান্নরোইশিং

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ঃ* মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা দি এম কলেজ কেম্পস্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নরোই ১৯৮ রোম্না শরুক য়ারগা ঙসিদগী ৩৬ শুবা ষ্টেগ ষ্টেট অমদি ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ হৌখ্রে। কেদেট বোইজ টিমগী ৱিন্নরনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ওইখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টনা গেম ৩–১ দা মায় পাক্লগা ৱিন্নর ওইখিবনি। অহানব সিঙ্গলস্তা ইম্ফাল ইষ্টকী এ বাইরননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস হেম্বোইববু গেম ৩–০ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গেমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোমাস ইনা ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ শামসুংবু সেট ৩–১ দা মায়থীবা পীরগা গেম অমমম মায় পাক্লখি।

অহানবা দলবস্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোমাস / হৈথোইবনা ইম্ফাল ইষ্টকী বাইরন / নারমানবু সেট ৩–০ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা সিঙ্গলস্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোমাস ইনা ইম্ফাল ইষ্টকী এ বাইরনবু সেট ৩–১ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা পোজিসননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা তাখি।

মেন্স টিম ইভেন্টকী লীগ রাউন্দগী মেটচশিংদা এম পি এস সি (এ)না ইম্ফাল ইষ্টপু ৩–২দা, এ জি মণিপুরনা ইম্ফাল ৱেষ্ট (বি)বু ৩–১দা, থৌবালনা ইম্ফাল ৱেষ্ট (এ)বু ৩–২ দা, ইম্ফাল ৱেষ্ট (বি)না এম পি এস সি (বি)বু ৩–০ দা অমদি এ জি মণিপুরনা ইম্ফাল ৱেষ্ট (সি)বু ৩–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

থা অসিগী ১৯ ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসি মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডাঃ কে ঐচ লোকেন সিংহনা হৌদোকখি।





## L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING

| Sl. No. | Name of the post | Qualification | Branch | No.of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Asst.Manager(Banking) | M.C.A/B.C.A/B.com/M.com | H.Q | 2 |
| 2. | Asst.Manager(Recovery) | 10+2 (Computer Know) | H.Q | 2 |
| 3. | Computer Operator | DTP/Tally(Know) | H.Q | 1 |
| 4. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Lamlai | 2 |
| 5. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Pangei | 2 |
| 6. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Samurou | 2 |
| 7. | Asst. Manager | 10+2 (Computer know) | Thoubal Branch | 3 |
| 8. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Sekmai | 2 |
| 9. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Patsoi | 2 |
| 10. | Mechanic (2/3 WHEELER) | VII Pass (3 yrs experience) | H.Q | 3 |
| 11. | Security | VIII Pass | H.Q. | 3 |
| 12. | Driver | Truck(LOCAL) & CAR | H.Q | 1+1 |
| 13. | Grade IV | VII Pass | H.Q | 2 |
| 14. | Brick Mistry | VII Pass | H.Q | 3 |
| 15. | Brick Jugali | VII Pass | H.Q | 10 |

*Kakching Bazar ga naknaba sorokka hek tainaba mayai oirp chaoba showroom oiba yaba buildinggi room ama pamjei.*

Sd/-
M.D, L .G Motors




















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*